# কোচিং সেন্টরবু নিয়ম ঙাক্না চৎহন্নবগী লমজিং–পথাপশিং

**জনুৱারী ২০২৪**

**ডিপার্টমেন্ট ওফ হাইয়র এজুকেশন (অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশঙ)**
**মিনিষ্ট্রি ওফ এজুকেশন (মহৈ পোংবশঙ)**
**গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (ভারত সরকার)**

## তুংদা লৈরিবা ৱারোল (বেকগ্রাউন্দ)

**১.** লম্নাই কোচিং সেন্টরশিংগা মরী লৈনবা সমস্যাশিংনা মরক মরক্তা সরকারগী মিৎয়েং হেক হেক চিংশিল্লক্লি। মসি মহৈরোয়শিংনা মথন্তা শিজবগী থৌদোক মশীং হেনগৎলকপা, মৈপোক-লাংহৌশিং থোকপা হেনগৎলকপা, খুদোংচাবশিং ফংবা ৱাৎপগী মথক্তা তাকপী-তম্বীবগী মেথোদোলোজিশিংগা মরী লৈননি।

**২.** লৈবাকসিদা নিয়ম ঙাক্তনা চলাইবা লম্নাই কোচিং সেন্টরশিংনা য়াথোক্লবা থৌশিল (পোলিসি) নৎত্রগা ঙাক্কদবা নিয়ম অমত্তা য়াওদনা লেপ্তনা মশীং হেনগৎলক্লি। মসিগুম্বা সেন্টরশিংনা মহৈরোয়শিংদগী কা হেন্না অচঙশেল (ফী) লৌবগী থূদমশিং, মহৈরোয়শিংদা ৱাখল পংৱা-ৱাহনবনা মথোয় মথন্তা শিজরকপা, তাঙলবা পুন্সি কয়া মৈহৌ-লাংপোক অমসুং অতৈ খুদোংথীবা থৌদোকশিংদগী মাঙথিবা, অমসুং সেন্টরশিং অসিনা থবক কয়া লান্না চত্থবগী পাও মিদিয়াদা পাকশন্না ফংলি।

**৩.** মসিগী সমস্যাশিংসিগী মরমদা দিবেতশিং, থন্ন-নৈনবশিং, অমসুং পার্লিয়ামেন্টদা ৱাহং তৌনদুনা কয়ারক হন্নসু পুথৎখ্রে।

**৪.** +2 লেভেল এজুকেশনবু নিয়ম ঙাক্লা চৎহনবসি ষ্টেট / য়ুনিয়ন টেরিটোরি গভর্নমেন্টশিংগী থৌদাংনি হায়না লৌরগা, মসিগী মহৈশঙশিংসিবু (ইন্সটিট্যুশনশিংসিবু) ষ্টেট / য়ুনিয়ন টেরিটোরি গভর্নমেন্টশিংনা খ্বাইদগী নীংথিনা নিয়ম ঙাক্লা চৎহল্লি।

**৫.** ২০১৩ গী রিট পিটিশন নম্বর ৪৫৬ দা পিআইএল অমা, ওনরেবল সুপ্রিম কোর্টতা ষ্টুদেন্ট ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস য়ুওআই অমসুং অতৈ অতৈগী মরমদা, ফাইল তৌখি অমসুং মদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ এজুকেশননা রেস্পোন্দেটশিংগী মনুংদগী অমা ওইখি। পিআইএল অদু ময়ামগী মনুংদগী তাং ০৩.০২.২০১৭ গী ওর্দর মতুংইন্না, পিটিশনদা পুথৎলিবা সমস্যাদু মরু ওইরগসু চুম্নগী পোলিসি মেটরনি হায়বা ৱাফমসিদা য়ূম্ফম ওইরগা, ককথৎখি। মথা তানা মদু পিটিশনরশিংগী মফমদা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী মমাংদা সমস্যাদু পুথৎনবা খঙহল্লগনি অমসুং মথোয়না আইনগী মতুং ইন্না মদু অমুক থন্নবা য়াই।

**৬.** লম্নাই কোচিং সেন্টরশিংনা নিয়ম ঙাক্লা চৎকদবগা মরী লৈনবা সমস্যাগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টদা অমসুং অশোক মিশ্রা কমিটিগী রিপোর্টতসু পল্লবা কূপ্পা থন্ন-নৈনবা, তাং ০৪.০৪.২০১৭ গী চিঠি নম্বর ৩২-৬/২০১৭-TS । য়েংউ, অদুগী মতাংদা হাইয়র এজুকেশন ডিপার্টমেন্টনা ইন্সটিট্যুশনশিংবু নিয়ম ঙাক্লা চৎহন্নবগী অমসুং নিয়ম হিক্তোকপশিংবুনা অহকপা চৈরাক (পেনাল্টি) পীনবগী থবক পায়থৎনবা ষ্টেটশিং/ য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা হায়জখ্রে।

চিঠি অসিনা, ষ্টেটশিং / য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা জষ্টিস রূপনৱাল কমিশন ওফ ইনক্বাইরিনা মহৈরোয়শিং মথন্তা শিজবা থিংনবগী পায়থৎফম থোকপা ৱাফম ১২ হৌদোরকপদু থবক্তা ওন্হোক্লবা হায়জখ্রে।

**৭.** তাং ১৪.০৮.২০১৯ গী চিঠি নম্বর ৩২-৬/২০১৭-TS । য়েংউ, লম্নাই কোচিং সেন্টরশিংবু নিয়ম ঙাক্লা চৎহনবগী মতাংদা, ষ্টেটশিং / য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা মথোয়-মথোয়গী জুরিসদিক্সন (হক্কম)দা লৈবা কোচিং সেন্টরশিংবু নিয়ম ঙাক্লা চৎহন্নবগীদমক চানবা আইনগী শকওং (লিগেল ফ্রেমৱর্ক) শেম্লগা থবক ওইনা ওন্হোক্লবা হায়জখ্রে, মরমদি কোচিং সেন্টর কয়া অমদি স্কূলগী থাক্তা চলাইবনা মথোয়দু ষ্টেটশিং / য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী হকথেংনবা লমদাংগী মনুং চল্লি।

**৮.** অমুক্কসু, য়েংউ তাং ২৪.১২.২০২০ গী চিঠি নম্বর ৩২-১৮/২০২০-TS ।, তাং ০৪.০৪.২০১৭ অমসুং ১৪.০৮.২০১৯ গী চিঠিশিংদা য়াওরিবা মতুং ইন্না, ষ্টেটশিং / য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা কোচিং সেন্টরশিং অসিবু চানবা আইনগী শকওং (লিগেল ফ্রেমৱর্ক) শেম্লগা নিয়ম ঙাক্লা চৎহন্নবা হায়জখ্রে, মসি মহৈরোয়শিংগী শাফনবা অমসুং তেক্ত-কায়দনবা অমসুং থীনা পংওৎ-ওৎপীদনবনি।

**৯.** নেশনেল এজুকেশন পোলিসি ২০২০ (এনইপি ২০২০)সি ২৯.০৭.২০২০ দা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা মাচা থায়না কূপ্পা তান্নরগা মীয়ামদা লাউথোকখি। এনইপি ২০২০ গী মরু ওইবা প্রিন্সিপলশিংগী মনুংদগী অমদি

*হৌজিক্কালগী 'কোচিং কলচর' বু পূক্লিং থৌগৎপা সম্মেটিভ এসেসমেন্টগী মহুত্তা মহৈ তম্নবগীদমক চাং নাইনা ফোর্মেটিভ এসেমেন্ট তৌবদা মিৎয়েং থম্বসিনি।*

**১০.** এনইপি ২০২০ না মাগী পারা ৪.৩৬ দা ***বোর্ড পরিক্ষাশিং অমসুং মিংতন পরিক্ষাশিং (এন্ট্রান্স এগজামশিং)গী য়াওনা হৌজিক চৎনরিবা সেকেন্দরি স্কূল পরিক্ষাশিংগী মওংদগী ওইরকপা হৌজিক্কালগী কোচিং তৌবগী চৎনবী অমসুং মদুগী ফত্তবা ফলদু পুথোকই।***

**১১.** এনইপি ২০২০ গী পারা ৪.৩৭ না ***বোর্ড অমসুং মিংতন পরিক্ষাশিং (এন্ট্রান্স এগজামশিং)গী হৌজিক চৎনরিবা সিষ্টেমসি শেমদোক্লগা কোচিং ক্লাসশিং য়াওবগী দরকার লৈহন্দনবা ৱাফম হৌদোক্লি।***

**১২.** পারা ৪.৩৮ না, ময়ামগী মনুংদগী, ***অমদসু অমদসু ইচন-চন্নবা (ফ্লেক্সিবিলিটি) হেনগৎহনবা, মহৈরোয়শিংগী অপাম্বা থন্নবগী খুদোংচাবা লৈহনবা, অমসুং মরু ওইবা মতীক-মঙমশিং (কোর কেপাসিটিশিং) মাঙজৌননা হান্না য়েংথোক্লবগী বেষ্ট-ওফ-টু এটেমপস, এসেসমেন্টশিং নৌনা হৌদোকপা অমসুং মহৈরোয়শিংদা ৱানা থোক্তনবা অমসুং কোচিং তৌবগী চৎনবী হন্থহনবা ঙম্বা বোর্দ পরিক্ষাশিংগী ওইথোকপা য়াবা অফবা মোদেলশিং পুথোক্লবা ৱাফম হৌদোকই।***

**১৩.** এনইপি ২০২০ গী পারা ৪.৪২ না হায়রি মদুদি '***তাইবংমহৈকোলদা মিং চন্নবগী লৌবা পরিক্ষাশিংগী নিয়মশিংসি চপ মান্নগনি। নেশনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এনটিএ) না সাইন্সশিং, হ্যুমেনিটিশিং, লোলশিং, আর্টস অমসুং ভোকেশনেল সবজেক্টশিংদা অখন্নবা কমন সবজেক্টকী লৌবা পরিক্ষাশিংগী মথক্তা, মগুন ৱাংবা থ্রাইগী ওইবা এপটিচ্যুদ টেষ্ট অমা য়ামদ্রবদা চহীদা অনীরক লৌনবগী থবক পায়খৎকনি। মসিগী পরিক্ষাশিংসিনা মহৈরোয়শিংনা কনসেপ্ট খঙবা ঙম্বগী অমসুং মবুদ্ধি-মরৌশিং শীজিন্নবা ঙম্বগী চাং য়েংবগা লোয়ন-লোয়ননা মখোয়না পরিক্ষাশিংদু থানবগীদমক্তা কোচিং য়াওবগী দরকার তাহন্দনবা পান্দম থমগনি। মহৈরোয়শিংনা চাংয়েং পরিক্ষাদু য়াওনবগীদমক মখোয়গী অপাম-অপাম্বা সবজেক্টশিং থনবা য়াগনি, অমসুং তাইবংমহৈকোল খুদিংনা মহৈরোয় খুদিংগী সবজেক্ট অমমমগী পোর্টফোলিও য়েংলগা মখোয়গী প্রোগ্রামশিংদা মহৈরোয়শিংবু মশা মশাগী অপাম্বশিং অমসুং খঙ-হৈবগী চাংদু য়েংলগা মিং চলহনগনি'।***

**১৪.** কোচিং তৌবগী চৎনবী মুখৎনবগী থৌওং-থৌশিলগা মরী লৈনবা সমস্যাদু হন্দক্তা চৎনখিবা নেশনেল করিকুলম ফ্রেমৱর্কতসু মাচা থায়না থন্ন-নৈনখ্রে।

**১৫.** সরকারনা এনইপি ২০২০ গী মতুং ইন্না কমন য়ুনিভর্সিটি এন্ট্রান্স টেষ্ট (কুৱেত), রিজনেল লেঙ্গ্বেজ ১৩ দা মিংতন পরিক্ষা (এন্ট্রান্স এগজামিনেশন) পাঙথোকপা, হাইয়র এজুকেশন ইন্সটিট্যুশনশিংদা (এচইআই শিংদা) তম্নবা মহৈরোয়শিংগী সীট মশীং য়াম্না য়ামখৎহনবা অমসুং য়াম্না ফবা হাইয়র এজুকেশন ইন্সটিট্যুশনশিংগী মশীং হেন্না হেন্না লিংখৎপগা মরী লৈনবা সমস্যাশিং থন্ননবা নৌনা থবকশিং পায়খৎখ্রে। নেশনেল করিকুলম ফ্রেমৱর্ক (এনসিএফ)না স্কূলশিংদা চৎনরিবা করিকুলমগী মতাংদা অমসুং বোর্ড পরিক্ষাশিংনা হৌজিক্কালগী ময়াম্না য়ানীংদবা অমসুং পান্নদবা ফিভমসি ওইহল্লক্লিবা হীরমশিংগী মরমদা থন্ননবা মরীক চূম্বা থোঙথাংশিং লৌখৎলি।

**১৬.** মহৈরোয়শিংনা নীত (য়ুজি) অমসুং জী (মেইন) এন্ট্রান্স এগজামিনেশনশিং থানবা হোৎনবদা মতেং ওইননবা, নেশনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এনটিএ) না 'নেশনেল টেষ্ট অভ্যাস' কৌবা মোবাইল এপ অমা পুথোকখ্রে, মসিনা পরিক্ষা থাগদৌরিবা কেন্দ্দিদেতশিংবু অৱাংবা থাক্কী লুর-লুরবা মোক টেষ্টশিং শেল তিংদনা ওনলাইনদা থাবা য়াহল্লি।

**১৭.** হীরম অসি ডিপার্টমেন্ট ওফ কঞ্জ্যুমর এফেয়র্সনসু কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্ট, ১৯৮৬ কী প্রোভিজনশিংগী মখাদা লান্না লমজিংবা য়াবা এদভর্টিজমেন্টশিং তৌবা কোচিং সেন্টরশিং / লন্নাই হাংবা অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিংগী মায়োক্তা পীফম থোকপা চৈরাক পীননবা থোঙথাং লৌখৎখ্রে।

**১৮.** এজুকেশন অসি কনকরেন্ট লিষ্টকী মনুং চল্লি, মরম অসিনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি গভর্নমেন্টনসু হীরম অসিদা তঙাইফদনা থবক পাঙথোকপগী মথৌ তাই।

**১৯.** ষ্টেট / য়ুনিয়ন টেরিটোরি কয়ানা মথোয় মথোয়গী জুরিসদিক্সন (হকলম) মনুংদা লন্নাই কোচিং চত্থরিবা অমুং ট্যুশন ক্লাসশিং লৌরিবশিংবু নিয়ম ঙাক্লা চৎহন্নবা চানবা আইনগী শকওং (লিগেল ফ্রেমৱর্ক) শেল্লগা পায়থৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎখ্রে; মথোয়শিংদুগী মনুংদা, খুদম ওইনা পল্লবদা, বিহার কোচিং ইন্সটিট্যুট (কন্ট্রোল এন্দ রিগুলেশন) এক্ট, ২০১০ [বিহার এক্ট ১৭, ২০১০], গোৱা কোচিং ক্লাসেস (রিগুলেশন) এক্ট, ২০০১ (২০০১ গী গোৱা এক্ট ২৭), উত্তর প্রদেশ রিগুলেশন ওফ কোচিং এক্ট, ২০০২ [২০০২ গী য়ুপি এক্ট নম্বর ৫], কর্নাটকা ট্যুটোরিএল ইন্সটিট্যুশন্স (রেজিষ্ট্রেশন এন্দ রিগুলেশন) রুল্স, ২০০১ [কর্নাটকা এজুকেশন এক্ট, ১৯৮৩ (১৯৯৫ কী কর্নাটকা এক্ট ১)গী সেক্সন ১৪৫ গী সব-সেক্সন (১) না পীবা মতীক-মঙমশিং (পাৱরশিং) শীজিন্নরগা শেমখিবা)], মনিপুর কোচিং ইন্সটিট্যুট (কন্ট্রোল এন্দ রিগুলেশন) এক্ট, ২০১৭ (২০১৭ গী এক্ট নম্বর ৮) অসিনচিংবা য়াওই। রাজস্থান কোচিং ইন্সটিট্যুট (কন্ট্রোল এন্দ রিগুলেশন) বিল, ২০০৩ সু মীয়ামদা শিন্নথোক্লে অমসুং কোচিং ইন্সটিট্যুটশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা থৱায় ৱাজবা অমসুং পাখৎচবা হন্থহন্নবগীদমক অমসুং মথোয়গী পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক রাজস্থান সরকারনা হন্দক্তা ২৭.০৯.২০২৩ দা লমজিং-পথাপশিং ফোংলে।

**২০.** লন্নাই কোচিং চলাইবগা মরী লৈনবা সমস্যাশিং থন্ননবা মরুওইবা থবকশিং লৌখৎখিবা তারগসু, নিয়ম ঙাক্তনা চলাইরিবা লন্নাই কোচিং সেন্টরশিংগী হেনগৎলক্লিবা মশীংসিনা মরম ওইরগা খ্বাইদগী ফবা মখলগী লমজিং-পথাপশিং (মোদেল গাইদলাইন্স) শেম্বগী/ থৌশিল (পোলিসি) অমা য়াথোকপগী দরকার তাহল্লি, অমসুং মদু ষ্টেটশিং / য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা চানবা আইনগী শকওং (লিগেল ফ্রেমৱর্ক) শেল্লগা চৎনহনবা য়াগনি।

**২১.** সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লন্নাই কোচিং সেন্টরগা মরী লৈনবা সমস্যাশিং থন্ননবা ৱাফম হৌদোকই অদুগা খ্বাইদগী ফবা মখলগী লমজিং-পথাপশিং (মোদেল গাইদলাইন্স) শেম্মী/ থৌশিল (পোলিসি) য়াথোকই, অমসুং মদু ষ্টেট/ য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা চানবা আইনগী শকওং (লিগেল ফ্রেমৱর্ক)গী মতেংনা চৎনহল্লি।

### ১. মিংথোল

কোচিং সেন্টর, ২০২৪ রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগী অমসুং নিয়ম ঙাক্লা চৎহন্নবগী লমজিং-পথাপশিং।

### ২. লমজিং-পথাপশিংগী পান্দমশিং

মহৈ তম্লিবা, কমপিটিটিভ পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিং, নৎত্রগা মথোয়দা লাইরিক-লাইশুগী ওইবা তেংবাং (একাদেমিক সপোর্ট) পীবদা হেন্না ফবা লমজিং অমসুং মতেং ওইনবগীদমক কোচিং সেন্টরশিংদা নিয়ম ঙাক্লা চৎহন্নবগী লমজিং-পথাপশিং পীবা।

### ৩. লমজিং-পথাপশিং পীবগী দরকার তাবা

(ক) কোচিং সেন্টরশিংদা রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগী অমসুং নিয়ম ঙাক্লা চৎহন্নবগী লমজিং-পথাপশিং পীবা

(খ) কোচিং সেন্টর অমা চলাইনবা তঙাইফদনা চঙদগবা মচাকশিং লৈহন্নবা ৱাফম হৌদোকপা

(গ) কোচিং সেন্টরশিংদা মিং চল্লবা মহৈরোয়শিংগী অপাম্বদু হোংহন্দনা থম্বা

(ঘ) কোচিং সেন্টরশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংবু হীরম থূদিংদা ফহন্নবা কো-করিকুলর এক্টিভিটিশিংদসু মিৎয়েং চঙনবগী পাউতাক পীবা

(ঙ) মহৈরোয়শিংনা হিংনবগী শিনফম থঞ্জবদা লমজীংবিবা (কেরিয়র গাইদেন্স) অমসুং মথোয়দা পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভম ফনা লৈনবা পাউতাক পীবা (সাইকোলোজিকেল কাউন্সেলিং)

## ৪. ডিফিনিশন

(ক) 'এপেলেট ওথোরিতি' হায়বসি গভর্নমেন্টনা পাও থঙহল্লবা ওফিসার অমবুনি;

(খ) 'কোচিং' হায়বসি তমগদবা হীরম অমদা **মহৈরোয় ৫০ গী মথক হেনবদা** ট্যুশন লৌবা, ইন্সট্রক্সনশিং পীবা নৎত্রগা লমজিংবীবদুনি, অদুবু কাউন্সেলিং পীবা, শান্ন-খোৎনবা, জগোয়, থিএটর অমসুং অতৈ ক্রিএটিভ এক্টিভিটিশিংদি মসিদা য়াওদে;

(গ) 'কোচিং সেন্টর'দা সেন্টর অমা মীওই অমনা লিংখৎচৈ, চলাইজৈ, নৎত্রগা এদমিনিষ্ট্রেশনগী থবক পুজৈ। মসিনা স্কূল, কোলেজ, অমসুং য়ুনিভর্সিটিদা তম্লিবা **মহৈরোয় ৫০ গী মথক্তা** মহৈগী প্রোগ্রাম অমগী নৎত্রগা কমপিটিটিভ এগজামিনেশনশিংগী কোচিং পী নৎত্রগা লাইরিক-লাইশুগী ওইবা তেংবাং (একাদেমিক সপোর্ট) পী;

(ঘ) 'কমপিটেন্ট ওথোরিতি' হায়বসি গভর্নমেন্টনা পাও থঙহল্লবা ওফিসার অমবুনি;

(ঙ) 'গভর্নমেন্ট' হায়বসি চানবা জুরিসদিক্সন (হক্লম) লৈজবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট, ষ্টেট / য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী গভর্নমেন্টশিংনি;

(চ) 'ইন্সটিট্যুশন' হায়বসি স্কূল নৎত্রগা অতোপ্পা এজুকেশনেল ইন্সটিট্যুশন অমনি। মসি বোর্ড অমনা রিকগনাইজ নৎত্রগা কন্ট্রোল, নৎত্রগা মদুদা এফিলিএত তৌই, নৎত্রগা ষ্টেট / য়ুনিয়ন টেরিটোরি গভর্নমেন্ট, এফিলিএতেদ কোলেজ, এসোসিএতেদ কোলেজ, কন্সটিট্যুতেদ কোলেজ, অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট / য়ুনিয়ন টেরিটোরি গভর্নমেন্টগী এক্ট মখাদা লিংখৎখ্রবা য়ুনিভর্সিটি নৎত্রগা এজুকেশনেল ইন্সটিট্যুশননা কন্ট্রোল নৎত্রগা রিকগনাইজ তৌই।

(ছ) 'পর্সন' হায়বসি তোঙানবা অমখক্কি অমসুং মসিদা মীওই কাঙলূপ অমা নৎত্রগা কোর্পোরেত বোদি অমা, নৎত্রগা ট্রষ্ট, ফার্ম নৎত্রগা সোসাইটি অমা নৎত্রগা ইন্সটিট্যুশন অমা য়াওই;

(জ) 'প্রোপ্রাইতর' হায়বসি রেজিষ্ট্রেশন তান্নরিবা নৎত্রগা রেজিষ্টর তৌরবা কোচিং সেন্টর অমগী মপূনি অমসুং মসিদা পূমিন্নবা মপূসু য়াওই;

(ঝ) 'ট্যুটর' হায়বসি কোচিং সেন্টর অমদা মহৈরোয়শিংবু লমজিংবীরিবা নৎত্রগা তাকপী-তম্বীরিবা মীশক অমনি অমসুং মসিদা অখন্নবা ট্যুশনশিং লৌরিবা ট্যুটরসু য়াওই;

(ট) 'য়ুনিভর্সিটি' হায়বসি সেন্ট্রেল এক্ট, প্রোভিন্সিএল এক্ট নৎত্রগা ষ্টেট এক্ট অমগী মতেংনা নৎত্রগা মখাদা লিংখৎখিবা নৎত্রগা অমত্তা ওইনা পূনশিল্লবা তাইবংমহৈকোল অমনি, অমসুং মসিদা ইন্সটিট্যুশন অমবু, মরী লৈনবা তাইবংমহৈকোলগা তান্নরগা, য়ুজিসি এক্ট কী মখাদা হীরমসিগা মরী লৈনবা নিয়মশিংগী মতুংইন্না, য়ুজিসি না রিকগনাইজ তৌবা য়াওই।

## ৫. কোচিং সেন্টর রেজিষ্ট্রেশন তৌবা

(ক) মীওই অমনা কোচিং পীবগী থবক তৌবা নৎত্রগা কোচিং সেন্টর অমা লিংখৎপা, চলাইবা নৎত্রগা পান্নবা য়াগনি, তৌবতবু মহাক্না মদু লমজিং-পথাপশিংতা য়াওরিবা প্রোভিজনশিং ঙাক্না মদুগুম্বা কোচিং সেন্টর হাংনবগী মাঙজৌননা রেজিষ্ট্রেশন তৌরবা ওইগদবনি।

(খ) লমজিং-পথাপশিং চৎনবা হৌদ্রিঙৈ মমাংদা হান্নদগী লৈরক্লবা কোচিং সেন্টরনা লমজিং-পথাপশিং চৎনবা হৌখিবা তারিক্তুদগী থারগা থা অহুমগী মনুংদা রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগীদমক দরখাষ্ট থাগদবনি।

(গ) কোচিং সেন্টর রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগী দরখাষ্ট অদু কমপিটেন্ট ওথোরিতিদা অমদা মহাক্না থৌ পুরিবা মফমদুদা কোচিং সেন্টরদু লৈবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা লেপ্লবা অচঙশেল (ফী) অমসুং চে-চাংশিং (দোকুমেন্টশিং) য়াওরবা মওংদা থাগদবনি।

(ঘ) ব্রাঞ্চ য়াম্না হাংলবা কোচিং সেন্টরগী ওইনদি, মাগী ব্রাঞ্চ খূদিংমক তোঙান-তোঙানবা কোচিং সেন্টর অমমমনি হায়না লৌগনি অমসুং ব্রাঞ্চ খূদিংমক রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা দরখাষ্ট অমমম থাজিনবা দরকার ওইগনি।

(ঙ) কমপিটেন্ট ওথোরিতিনা, কোচিং সেন্টর অমনা রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগী থাজিল্লকপা দরখাষ্ট অদু, দরখাষ্ট ফংখিবা তারিক্তগী হৌনা থা অহুমগী মনুংদা চৎনরবা ফোর্মদা রেজিষ্ট্রেশন সর্টিফিকেত অদু পীগদবনি, নৎত্রগনা দরখাষ্ট থারক্লিবা মীওইদুদা মহাক্না রেজিষ্ট্রেশন পীরোইদবগী ওর্দর অদু অইবা চেরোলদা, য়ারোইদৌবগী মরমশিং য়াওনা, পাও ফাওনগদবনি। রেজিষ্ট্রেশন তৌবা য়ারোইদবগী ওর্দর অমত্তা, মরী লৈনবা মীওইদুদা হিয়রিংগী পীফম থোকপা খুদোংচাবা পীরবা মতুং নত্তনদি, পাস তৌবা য়ারোই।

(চ) রেজিষ্ট্রেশন সর্টিফিকেত অমগী চৎনগদৌবা মতমসি, করিগুম্বা মরম অমদগী মমাংদা ককথিবা থোক্তগদি, গভর্নমেন্টনা লেপকনি।

(ছ) রেজিষ্টর তৌরবা কোচিং সেন্টর খুদিংনা রেজিষ্ট্রেশন সর্টিফিকেত অদু রিনিউ তৌনবগীদমক কমপিটেন্ট ওথোরিতিদা মাগী রেজিষ্ট্রেশনগী মতম লোইগদৌবা থা অনীগী মমাংদা দরখাষ্ট থাগদবনি। মদু গভর্নমেন্টনা লেপ্লবা অচঙশেল (ফী) অমসুং চে-চাংশিং (দোকুমেন্টশিং) য়াওনা থাগদবনি।

(জ) কমপিটেন্ট ওথোরিতিনা, চৎনরবা ফোর্মদা রেজিষ্ট্রেশন রিনিউ তৌনবগী দরখাষ্ট অমা থীফম থোকপা ফীগা কোন্ননা ফংবা মতমদা, রেজিষ্ট্রেশন অদুগী চৎনবা য়ারিবা মতমদু লোইদ্রিঙৈ মমাংদা রেজিষ্ট্রেশন নম্বর রিনিউ তৌনবগী থাগৎলকপা দরখাষ্টতুগী মরমদা ৱারেপ লৌগনি, অমসুং মথা তানা রেজিষ্ট্রেশন চৎনগদবা মতমদু অমুক রিনিউ তৌবা য়াই নৎত্রগা রেজিষ্ট্রেশন চৎনরিবা মতমদু লোইদ্রিঙৈদা দরখাষ্ট থারক্লিবা মীওইদুদা মাগী দরখাষ্টতু য়ারোইদৌবগী মরমশিং য়াওনা অইবা চেরোলদা পাও ফাওনবা য়াই।
রেজিষ্ট্রেশন তৌবা য়ারোইদবগী ওর্দর অমত্তা, মরী লৈনবা মীওইদুদা হিয়রিংগী পীফম থোকপা খুদোংচাবদু পীরবা মতুং নত্তনদি, পাস তৌবা য়ারোই।

(ঝ) গভর্নমেন্টনা ৱেব-পোর্টেল/ ওনলাইন মেকানিজম অমবু কোচিং সেন্টরশিং রেজিষ্ট্রেশন তৌবগী থবক য়াঙশিলহন্নবা ফেসলেস মেনরদা খ্বাইদগী তাবা হ্যমেন ইন্টরফেস শীজিন্নদুনা শেমগনি।

## ৬. রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগী কন্দিশনশিং

(অ) কোচিং সেন্টর অমনা তৌরোইদবসি –

(ক) মহৈগী থাক গ্রেজুএশনদগী তাবা ট্যুটরশিং নেকপা

(খ) কোচিং সেন্টরদুদা মিং চলহন্নবগীদমক মমা-মপাশিংদা / মহৈরোয়শিংদা শুংশোয় শোয়দনা রেঙ্ক নৎত্রগা মার্ক য়াম্না ফংহনগনি হায়না মথোয়বু লান্না লমজিংবা

(গ) চহী ১৬ শুদ্রিবা মহৈরোয়বু মিং চলহনবা নৎত্রগা মহৈরোয় মিং চনবসি সেকেন্দরি স্কূল এগজামিনেশনগী মতুংদতা তৌগদবা

(ঘ) কোচিংগী মগুন নৎত্রগা মদুদা ফংহল্লিবা খুদোংচাবশিং নৎত্রগা মদুগুম্বা কোচিং সেন্টরনা ফংলকপা ফল নৎত্রগা মদুগুম্বা ক্লাস য়াওরবা মহৈরোয়দুগী মরমদা, করিগুম্বা ৱাকৎ অমগা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা মরী লৈনবা, লান্না লমজিংবা য়াবা এদভর্টিজমেন্ট অমা ফোংবা নৎত্রগা ফোংবগী মরম ওইবা নৎত্রগা ফোংবদা শরুক য়াবা

(ঙ) করিগুম্বা মদুদা মহৈরোয় অমমমগী দরকার ওইবা খ্বাইদগী পীকপা মফমদুদগী হন্থবা থোকপদা রেজিষ্টর তৌবা

(চ) লূজদবা লমচৎ য়াওনা অরানবা শাজৎ অমগীদমক মরাল লৈরে হায়না চৈরাক পীখ্রবা ট্যুটর নৎত্রগা মীওই অমবু থবক শীজিন্নবা

(ছ) মসিগী লমজিং-পথাপশিংসিগী দরকারগী মতুং ইন্না মদুদা কাউন্সেলিং সিষ্টেম লৈত্রিবা ওইরগসু রেজিষ্টর তৌবা

(আ) কোচিং সেন্টরগী মশাগী ৱেবসাইত অমা লৈজগদবনি অমসুং মদুদা ট্যুটরশিংগী মহৈগী থাক, তমগদবা কোর্সশিং/ করিকুলম, তম্বীবগী মতম, হোষ্টেলগী থুদোংচাবশিং (লৈরগদি), অমসুং থীফম থোকপা অচঙমল (ফী), লায়না তোকপা য়াবগী পোলিসি, অচঙশেল (ফী) হন্দোকপগী পোলিসি, সেন্টরদুদা কোচিং য়াওরিবা মহৈরোয় মশীং অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিংনচিংবদা মিং চনবা ফংলবা মহৈরোয় মশীং অসিনচিংবগী মরমদা মতম মতমগী ওইবা মাচা থায়বা ৱারোলশিং য়াওগদবনি।

(ই) কোচিং সেন্টরনা মফম মফমদুগী হক্কম (লোকেল জুরিসদিক্সন)দা চৎনরবা তোঙান-তোঙানবা রেজিষ্ট্রেশন য়াওনা মখল মথাগী আইনশিং, নিয়মশিং, নীতি-নিয়মশিং অসিনচিংবা ঙাক্না চৎকনি।

## ৭. রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগী দরখাষ্ট থাগৎপদা য়াওগদবা চে-চাংশিং

(অ) কোচিং সেন্টর অমা রেজিষ্ট্রেশন তৌনবগী দরখাষ্ট থূদিংমক্কা লোয়নগদবা প্রোপ্রাইটরগী ৱাশকতা অসুন্না পনগনি মদুদি -

(ক) মহাক্না সাইন বোর্ড নৎত্রগা প্রোস্পেক্টসতা নৎত্রগা মখল থূদিংগী পাও ফাওনবদা নৎত্রগা মফম অমদা হেক্তা পাও থাদোক-থাজিন তৌনবদা 'রেজিষ্টর তৌরবা কোচিং সেন্টর' হায়বা ৱাহৈ অসিতমক শীজিন্নগনি অদুগা 'রিকগনাইজ তৌরবা' নৎত্রগা 'এপ্রুভ তৌরবা' হায়বা ৱাহৈশিংসি শীজিন্নরোই;

(খ) কোচিং ক্লাসশিং অদু ইন্সটিট্যুশনশিংদা/ স্কূলশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগীসু য়েংলগা মখোয় মখোয়গী ইন্সটিট্যুশনশিং/ স্কূলশিংগী পুংফমদা তৌরোই;

(গ) ট্যুটরশিংগী মহৈগী থাক, কোচিং ক্লাসকী টাইম টেবল, থীগদবা অচঙশেলগা মরী লৈনবা ৱারোল, অমসুং কোচিং ক্লাসকী মরমদা থ্বাইনা থঙগদবা মরীক চুম্বা ৱারোলদু ৱেবসাইততা থাগৎপগা লোয়ননা কোচিং সেন্টর অদুগী মনাক্তা মফম চানা থিনবা নোটিস বোর্ড অমদা থেৎকনি;

(ঘ) কোচিং সেন্টরদা লৈবা মীশক নৎত্রগা ট্যুটর নৎত্রগা থবক ফংলবা মীওই পূম্বা লূজদবা লমচৎ য়াওনা অরানবা শাজৎ চৎপগী মরাল অমত্তা লৈথিদ্রি, অমসুং তুংদা ট্যুটর থনবগী থবক্তা অহোংবা অমা হেক লাকপদা কমপিটেন্ট ওথোরিটিদা থূদক্তা পাও পীগনি;

(ঙ) মহাক্না কোচিং ক্লাসতা মিং চনগদবা মহৈরোয়শিংগী অকক্নবা মশীংগা মরী লৈনবা ৱাদু ঙাক্না চৎকনি;

(চ) মহাক্না মসিগী লমজিং-পথাপশিংসিগী অতৈ টর্মশিং অমসুং কন্দিশনশিং অদু ঙাক্না চৎকনি;

(আ) রেজিষ্ট্রেশন রিনিউ তৌনবগী দরখাষ্টতা চার্টর একাউন্টেন্টনা ঔদিত তৌরবা একাউন্ট ষ্টেটমেন্টগী কোপি অমা লোয়নগনি।

## ৮. অচঙশেলশিং (ফীস)

(ক) তোঙান-তোঙানবা কোর্সশিংগী/ করিকুলমগী থীগদবা ট্যুশনগী অচঙশেল (ফী ট্যুশনশিং)দু চপচাবা অমসুং অচূম্বা ওইগদবনি অমসুং অচঙশেল থীথিবগী রিসিপ্টশিং অদু শুংশোয়-শোয়দনা ফংহনগদবনি।

(খ) কোচিং সেন্টরনা প্রোস্পেক্টস অমা শোয়দনমক্কী পীগদবনি অমসুং মদুদা তোঙান-তোঙানবা কোর্সশিং/ করিকুলম, মখোয়দু তম্বদা চঙগদবা মতম, ক্লাস, লেকচর অমসুং ট্যুটোরিএলশিংগী মশীং, হোষ্টেলগী থুদোংচাবশিং (লৈরগদি), অমসুং থীগদবা অচঙশেল (ফী), লায়না তোকপা য়াবগী থৌশিল, অচঙশেল হন্দোকপা অসিনচিংবশিং পনগদবনি। মসিগী মাচা থায়বা ৱারোলশিং অসি বিল্দিং অদুগী মফম চাবা অমসুং লায়না উবা ঙম্বা মফমদসু থেৎকদবনি।

(গ) প্রোস্পেক্টস, নোটিশিং অমসুং অতৈ মচাক্তি কোচিং সেন্টরশিংনা মখোয়গীদা মিং চল্লরবা মহৈরোয়শিংদা মদুগী তোঙানবা অচঙশেল (ফী) লৌদনা পীগদবনি।

(ঘ) কোর্স অমগী অচঙশেল পূন্না থীখ্রবা মহৈরোয়দুনা কোর্স ময়ায় চনশিল্লকপদা তোল্লগদি, মহাক্না হান্না থীখিবা অচঙশেল (ফী) অদুদগী লেমহৌরিবা মতমদুগী অচঙশেল থাইদোক্লগা, নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা, মঙোন্দা হন্দোকপীগদবনি। মহৈরোয়দু কোচিং সেন্টরদুগী হোষ্টেলদা লৈরগদি, হোষ্টেলগী ফীশিং অমসুং চানবগী থীখিবা ফীশিং অসিনচিংবসু হন্দোক্কদবনি।

(ঙ) করিগুম্বা ফিভম অমদা, অথন্নবা কোর্স অমা অকক্লবা মতমগী মনুংদা তম্নবগী মিং চনবদা থীখিবা অচঙশেল (ফী) অদু কোর্সতু তম্বা লোইদ্রিঙৈদা কৈদৌনুংদা হেনগৎলোইদবনি।

## ৯. ইনফ্রাষ্ট্রকচর দরকার ওইবশিং

(ক) কোচিং সেন্টরগী মরু ওইবা কা মনুংদা, ক্লাস / বেচ অমা তৌরিঙৈদা মহৈরোয় খূদিংদা য়ামদ্রবদা স্কার মিটর অমমমগী মফম ফংহনগদবনি। মিং চল্লবা মহৈরোয় মশীংগা চান্ননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতীক চাবা লৈগদবনি।

(খ) কোচিং সেন্টরগী বিল্দিং শাবদা মৈহৌ-লাংপোক্কী সেফ্টি কোডশিং, বিল্দিংগী সেফ্টি কোডশিং অমসুং অতৈ চৎনবী থাকশিং য়ৌনা ঙাক্কদবনি অমসুং গভর্নমেন্টনা লেপ্পবা মতীক চাবা ওথোরিতিশিংদগী ফাইয়র অমসুং বিল্দিং সেফ্টি সর্টিফিকেত লৌগদবনি।

(গ) মহৈরোয়শিংগী মতেং ওইনবগীদমক, কোচিং সেন্টরগী ওইবা ফার্ষ্ট এইদ কিত অমসুং মেদিকেলগী তেংবাং/ লায়েংবগী খুদোংচাবা লৈগদবনি। হোস্পিটালশিং, অথু-অকায় য়েংনবগী দাক্তরশিং, পুলিস হেল্পলাইনগী মাচা থায়বা ৱারোলশিং, ফাইয়র সর্ভিস হেল্পলাইন, ৱিমেন হেল্পলাইন অসিনচিংবা রিফরেল সর্ভিসশিংগী লিষ্ট অদু দিসপ্লে তৌগদবনি অমসুং মহৈরোয়শিংদা মখোয়শিংদুগী মরমদা খঙহনগদবনি।

(ঘ) কোচিং সেন্টরগী বিল্দিং পূম্বা ইলেক্ট্রিক মতীক চানা ফংহনগদবনি, নুংশিৎ-নুংশা নীংথিনা চঙহনগদবনি, অমসুং বিল্দিংগী কা খূদিংদা মৈ পূমঙান-ঙাল্লা থাল্লবা শীনগদবনি।

(ঙ) অফবা অমসুং থকপা য়াবা ঈশিং সেন্টর অদুগী মহৈরোয় অমসুং ষ্টাফ পূম্নমক্তা ফংহনগদবনি।

(চ) কোচিং সেন্টরদা দরকার ওইবা মফমশিংদা সিসিটিভি কেমেরাশিং নীংথিনা থিনজিনবা য়াই অমসুং খুদোংথীবা থোক্তনবা নীংথিনা শেন্নগদবনি।

(ছ) কোচিং সেন্টরদা কমপ্লেন্ট বোক্স নৎত্রগা রেজিষ্টর অমা মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎলক্লবা থমগদবনি। কোচিং সেন্টরগী ওইবা কমিটি অমা মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎশিং / পেন্দবগী মরমশিং থন্ননবা লৈগদবনি।

(জ) কোচিং সেন্টরগী বিল্দিং মনুংদা নুপাশিংগী অমসুং নুপীশিংগী তোঙান-তোঙানবা মপান-ইপান থোকফমশিংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা শীনগদবনি।

## ১০. করিকুলম

### ১০.১ ক্লাসশিং

(ক) কোচিং সেন্টরনা প্রোস্পেক্টসতা পল্লিবা মতুং ইন্না অকক্লবা মতমগী মনুংদা ক্লাসশিং মপূং ফানা লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি।

(খ) কোচিং ক্লাসশিং অদু ইন্সটিট্যুশনশিংদা / স্কূলশিংদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগীসু য়েংলগা মখোয় মখোয়গী ইন্সটিট্যুশনশিংগী / স্কূলশিংগী পুংফমদা তৌরোইদবনি, মরমদি মসি মখোয়না ইন্সটিট্যুশনশিং / স্কূলশিংদুদা চাং নাইনা ক্লাস য়াওবদা অকায়বা থোক্তনবনি অদুগা চাং নাইনা স্কূল কাদ্রগসু য়াবা স্কূলশিংদা তমদনবগীসুনি।

(গ) ফগৎহন্নবা (রিমিদিএল) নৎত্রগা তেংবাং পীবা (সপোর্ট) ক্লাসশিংবু লাইরিক-লাইশুদা অহেনবা মতেং দরকার ওইবা মহৈরোয়শিংদা ফংহনগদবনি।

(ঘ) করিকুলম / ক্লাসগী টাইমটেবল অসি মহৈরোয়শিংনা অৱা-পোথারুরগা অমুক হঙ্গৎচরক্লবা ক্লাসকী মরক মরক্তা অহাংবা মতম পীবা য়াই, মদুম্না তৌবনা মখোয়দা অহেনবা তেকচাক নল্লরোই।

(ঙ) কোচিং ক্লাসনা মহৈরোয়শিংগী অমসুং ট্যুটরশিংগী য়েংলগা চয়োল অমদা শুংশোয়্-শোয়দনা ছুতি ফংহনগদবনি।
(চ) চয়োলগী ছুতি লোইরগা হেক কারকপা নুমিৎতা এসেসমেন্ট টেষ্ট / পরিক্ষা অমত্তা লৌরোইদবনি।
(ছ) মরী লৈনবা মফমশিংদা মরুওইবা অমসুং ময়ামগী ওইবা কৃষ্মে-ফিয়োংশিং তৌরিঙৈ মনুংদা, কোচিং সেন্টরনা অথন্ননা ছুতি পীথোক্কদবনি অমসুং মদু মহৈরোয়শিংনা মাগী মাগী ঈমুং-মনুংগা উনরগা পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইনবনি।
(জ) কোচিং সেন্টরশিংনা কোচিং ক্লাসশিংসি মহৈরোয় অমদা কা হেক্সিল্লোইদবা মওংদা লৌগদবনি অদুগা মদু নোংমদা পুং ৫ দগী হেল্লোইবনি অমসুং কোচিং তৌবগী পূংফমদু অয়ূক্তা কা হেন্না ঙনখৎনা নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমদসু কা হেন্না থেংথনা তৌরোইদবনি।
(ঝ) কোচিং সেন্টরশিংনা মহৈরোয়শিংবু হীরম খূদিংমক্তা ফগৎহন্নবা অমসুং মবুদ্ধি-মরৌশিং হেনগৎহন্নবা কো-করিকুলর এক্টিভিটিশিংগী মরমদা ক্লাসশিং তৌবা হৌদোক্কনি। মরু ওইবা সবজেক্টশিং তাকপীবগী মথক্তা, কোচিং সেন্টরশিংনা ট্যুটরশিং, থবক অতৈ তৌরিবশিং অমসুং মহৈরোয় পূম্বগী ওইনা কাউন্সেলিং সেসনশিংসু পাঙথোক্কনি, অমসুং মদু পুন্সি মহিংগী তমশিনগদবশিং; অচূম্বা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা (সাইন্টিফিক টেম্পর) অমসুং অচূম্বা য়ূম্ফমদা ৱাখল থনবা; ৱাখলনা শেম-শাবা (ক্রিএটিভিটি) অমসুং অনৌ-অনৌবা পুথোকপা (ইনোভেটিভনেস); হকচাং ফনা লৈবা, নাদ-য়েক্তবা, অচেৎপা নুংগী মরী (ইমোশনেল বোন্দিং) অমসুং পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইবা, চহী মতাং-মতাংগী থেংনবা নুংঙাইতবশিং, তৌহন্নীংবা পোকহনবা (মোটিভেশন); পূল্লগা থবক তৌমিন্নবা (কোলাবোরেশন) অমসুং টীম ৱর্ক; সমস্যা কোকহনবা অমসুং লোজিকেল রিজনিং; ইথিকেল অমুং মোরেল রিজনিং; মীওইবা অমসুং সংবিধানগী ভেল্যুশিং খঙবা অমসুং শীজিন্নবা; মশাগী শাফবা/পর্সনেল সেফ্টি (জেন্দর সেন্সিটাইজেশন অমসুং থীনা চৈবা-থাংবা থিংবা); তৌফম থোকপা থৌদাংশিং (ফন্দামেন্টেল দ্যুটিশিং); লৈবাকচাগী মতীক-মঙমশিং অমসুং ঙাক্লা চৎকদবশিং (সিটিজেনশিপ স্কিলশিং অমসুং ভেল্যুশিং); ভারকতী মরমদা খঙবা; অকোয়বদা লৈরিবগী মরমদা খঙবা, হকশেল বিজ্ঞান (সেনিটেশন) অমসুং হক্লোল (হাইজিন) অসিনচিংবগী মরমদা হেন্না খঙলক-হৈরক্লবগীনি।

## ১০.২ কোচিং সেন্টরনা ঙাক্লা চৎকদবা কোট ওফ কন্দক্ট

(ক) ক্লাস / বেচ খূদিংদা মিং চনগদবা মহৈরোয় মশীংদু প্রোস্পেক্টসতা ময়েক শেংনা পনবা অমসুং ৱেবসাইততা ফোংবা য়াই। কোর্সপু চত্থবা হৌখ্রবদি মথা তানা মিং চন্দুনা মহৈরোয়শিংগী মশীং কৈদৌনুংদা হেনগৎলোইদবনি।
(খ) মিং চল্লবা মহৈরোয়শিংগী মশীং অদু ক্লাস খূদিংদা লৈগদবা ওজা-মহৈরোয়গী রেশিও ফজনা কায়দনা থম্নবগী দরকার লৈরিশিংদুগী মতুং ইন্না থম্বা য়াই অদুগা ট্যুটর অমসুং কাউন্সেলরশিংগী মরক্তা হেন্না ফবা মরী শাগৎনবগীদমকসু ওইবা য়াই। মহৈরোয়শিংনা ট্যুটরগা শোয়দনমক্কী পাও ফাওনবা ঙমগদবনি, অমসুং মহৈরোয়না স্কৃন / ব্লেকবোর্ডশিংদু ইরায় লায়না শোয়দনা ফংবা অমসুং উবা ঙমগদবনি।
(গ) কোচিং সেন্টরনা মশাগী চহী ১৬ শুদ্রিবা মহৈরোয় অমত্তা মিং চনবা য়াহল্লোই নৎত্রগা মহৈরোয়গী মিং চনবসি সেকেন্দরি স্কূলগী পরিক্ষা লোইরবা মতুংদতা তৌগদবনি।
(ঘ) মহৈরোয়শিংবু করিকুলম অদুদা তম্নবগী মিং চন্দ্রিঙৈ মমাংদা মখোয়না থাগদৌরিবা পরিক্ষাশিংদুগী লুবগী চাং, সিলেবসকী মরমদা, দরকার ওইরিবা থাক্তু য়ৌনা হোৎনগদবা অমসুং মহৈরোয় মশানা হোৎনবা কন্দবা য়াদবগী মরমদা নীংথিনা হায়বীগদবনি।

(ঙ) মহৈরোয়শিংবু মহৈগী ইনভাইরনমেন্ট, মহাও লৈনা হিংবা পুন্সি (কলচরেল লিভিং), তশেংবশিং (রিএলিটিশিং)গী মরমদা খঙহনগনি, অদুগা স্কুল থাক্কী পরিক্ষাশিং থানবা হোৎনবা অমসুং অথোই-অহেন তান্নবগী পরিক্ষাশিং (কমপিটিটিভ এগজামিনেনশিং) থানবা হোৎনবগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিংদুগী মরমদসু খঙহনগনি।

(চ) ইঞ্জিনিয়রিং অমসুং মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিংদা মিং চন্নবা ওপশনশিংদগী অপাম্বা থনবদগী হেন্দোক্লা, অতোপ্পা কেরিয়র ওপশনশিংদগী অপাম্বা থনবগী মরমদসু মহৈরোয়শিংদা খঙহনবা য়াই। মসি মখোয়না মখোয়গী তুংগী থন্থজরুবদা মথৰায় ৰাদনবনি অমসুং মখোয়না অতোপ্পা কেরিয়রশিংদগী অনৌবা ওপশন অমা থনবসু য়াই।

(ছ) মহৈরোয়দুগী খঙজ-হৈজবগী চাং খঙদোক্লবা মিংজন চাংয়েং নৎত্রগা মোক টেষ্ট অমা পাঙথোকপা য়াই। মহৈরোয়দুগী খঙজ-হৈজবা অমসুং অপাম্বদু য়েংলগা, কোচিং সেন্টরনা মথা তানা মমা-মপাশিংদা মহৈরোয়দু তশেংনা কয়ামুক য়াম্না খঙ-হৈরে হায়বদু খঙহনগনি অদুগা মথা পায়খৎপা য়াবা ৰাফম থমগনি।

(জ) কোচিং সেন্টরদা মিং চল্লগা তম্বনা মেদিকেল, ইঞ্জিনিয়রিং, মেনেজমেন্ট, লো অসিনচিংবা ইন্সটিট্যুশনশিংদা মিং চন্নবগী থাবা পরিক্ষাশিংদা নৎত্রগা কমপিটিটিভ এগজামশিংদা মখোয়বু শুংশোয়-শোয়দনা মায় পাকহনবা ঙমগনি হায়বা লৈতে হায়বসি মহৈরোয়শিংদা অমসুং মমা-মপাশিংদা খঙহনগদবনি।

(ঝ) কোচিং সেন্টরনা মেন্টেল হেল্থকী অখঙ-অহৈশিংগা পূল্লগা মহৈরোয়শিংগী পূক্নিং-ৰাখলগী ফিভমগা মরী লৈনবা ৱার্কশোপশিং অমসুং সেন্সিটাইজেশন সেসনশিং মতম নাইনা পাঙথোক্কনি।

(ঞ) কোচিং সেন্টরনা মহৈরোয়শিং অমসুং মমা-মপাশিংবু পেদাগোজি, কোর্স মনুংদা তৌগদবশিং, অমসুং কোচিং সেন্টরদা ফংলিবা থুদোংচাবশিংগী মরমদা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংদা ৰাখল তেকচাক পুহন্দুনা পংৰা-ৰাহনবা অমসুং আশা চাউনা থল্লুবনা ওইরক্কদবা ফত্তবা ফলশিংগী মরমদা মখোয়দা পাউতাক পীবা য়াই।

(ট) কোচিং সেন্টরনা মাগী লৌবা এসেসমেন্ট টেষ্টকী ফল অদুময়ামদা খঙহল্লোইদবনি। এসেসমেন্ট টেষ্টতু অরোনবা ওইনা থল্লগা, মদুবু মহৈরোয়শিংনা ফগৎলকপদু চাং নাইনা কূপ্পা য়েংনশিন্নবা শীজিন্নগনি অদুগা অসুম অসুম হৈজিল্লক্তবা মহৈরোয়বুদি, লমজিং-পথাপশিংদা পীরিবা প্রোভিজনগী মতুং ইন্না, কাউন্সেলিং পীগনি।

## ১১. কাউন্সেলরশিং অমসুং সাইকোলোজিষ্টশিংগী মতেং

(ক) মহৈরোয়শিংগী মরক্তা হেন্দান্নবা ৰাংবা অমসুং লাইরিক-লাইশুগী তেকচাক (একাদেমিক প্রেসর) হেন্না লৈবা মরম্না, কোচিং সেন্টরশিংনা মহৈরোয়শিংগী পূক্নিং-ৰাখলগী ফিভম ফহন্নবগীদমক চানবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি অমসুং মহৈরোয়শিংদা কা হেঞ্জিন্না ৰাখল পংৰা-ৰাহন্দনা ক্লাসশিং লৌবা য়াই। অদুদগী হেন্দোক্লা, অৰাবা তারবা অমসুং থৰায় ৰাজরবা মহৈরোয়শিংদা অথল্লনা লেপ্পা লৈতনা তেংবাং পীনবা থূদক্তা থূৎ থিংজিন্নবগী পাম্বৈ অমা হৌদোক্কদবনি।

(খ) কোচিং সেন্টরনা কাউন্সেলিং তৌনবগী সিষ্টেম অমা শোয়দনা পুথোক্লগা মদুবু মহৈরোয়শিং অমসুং মমা-মপাশিংদা ইরায় লায়না ফংহল্লি হায়বদু খঙনবা কমপিটেন্ট ওথোরিতিনা খোঙথাংশিং লৌখৎপা য়াই। সাইকোলোজিষ্টশিং অমসুং কাউন্সেলরশিংগী মমিংশিং, অমসুং মখোয়না মথৌ তৌবা মতমগী মরমদা মহৈরোয় পূম্নমক্তা অমসুং মমা-মপাশিংদা খঙহনগদবনি। ট্রেনিং ফংলবা কাউন্সেলরশিংবু, মহৈরোয়শিং অমসুং মমা-মপাশিংদা নীংথিজনা লমজিংবীনবা অমসুং কাউন্সেলিং তৌবীনবা, কোচিং সেন্টরনা থবক থনবা য়াগনি।

(গ) মহৈরোয়শিংবু থৱায় ৱাবা অমসুং নীংবা কায়বা ফহন্নবগী লমজিং-লমতাকপীনবা অমসুং সাইকোথেরাপীগী লাইয়েং ফংহন্নবা কাউন্সেলরশিং অমসুং খঙ-হৈরবা সাইকোলোজিষ্টশিং য়াওহন্নবা কোচিং সেন্টরশিংবু পূক্নিং খৌগৎপা য়াই।

(ঘ) কেরিয়র কাউন্সেলরশিংবু মহৈরোয়শিংগী অপাম্বা, এপটিট্যুদ অমসুং খঙজ-হৈজবা খঙদোক্লবগী থবক্তা য়াওশিলহনবা য়াই, অদুগা মখা তারকপদা খ্বাইদগী ফবা অপাম্বা কেরিয়র থনবা ঙম্নবা মহৈরোয়শিং অমসুং মখোয়গী মমা-মপাশিংবু লমজীংবিবা অমসুং পাউতাক পীবিবা য়াই।

(ঙ) কোচিং সেন্টরনা মমা-মপা ওইবশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংগীদমক্তা পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভমগা মরী লৈননা অমসুং পাথৎপা, থৱায় ৱাবা থিংনবগী মরমদা চাং নাইনা ৱার্কশোপশিং অমসুং এৱেয়রনেস পীনবগী চয়োলশিং শীনবা য়াই। মসিনা হকশেলগী ফিভম, অফবা চিঞ্জাক, মশাগী অমসুং মীয়ামগী হক্লোল (পব্লিক হাইজিন), প্রকৃতিগী অকনবা খুদোংথীবদগী থোরকপা ফল (দিজাষ্টর রেস্পোন্স) অমসুং অহানবা লাইয়েং (ফাষ্ট এইদ)তগী হেন্দোক্না য়ু, হিদাক মনা, অমুং অতৈ দ্রগশিং শীজিন্নবগী কান্নদবা অমসুং খুদোংথীনিংঙাই ওইবশিংগী মরমদা বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা শন্দোক্না তাক্লবগী তঙাইফদবা ট্রেনিং পীননবা মিৎয়েং চঙগদবনি। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু নুংশিনা লোয়নবীবসি সেন্টরনা, মহৈরোয়শিংগী পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভম, নারুরগা ফগৎলকপদা চেকশিনগদবা মতাংগা মরী লৈননা, মমা-মপাশিংগীদমক পাঙথোকপা ইন্টরেক্টিভ সেসনদা (ময়ামগী ৱারী-ৱাতায় শান্নবগী সেসনদা) মরুওইনা পনগনি।

(চ) ট্যুটরশিংনা পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইতবদগী থোরকপা সমস্যাশিংগী মরমদা ট্রেনিং য়াওরুগা মখোয়না খঙলকপা মতাংশিংদু মহৈরোয়শিংদা নীংখিজনা অমসুং জ্ঞান তানা তাকপীবা য়াই।

(ছ) কাউন্সেলিংগী শরুক অমা ওইনা, কোচিং সেন্টরনা পীয়র গ্রুপ ইন্টরেক্সন হৌদোক্কনি। মখা তানা কোচিং সেন্টরনা থন্ন-নৈনবশিং, অথোই-অহেন তান্নবশিং অমসুং প্রোজেক্টশিংদা কাঙলূপ-নাইবা করিকুলর এক্সরসাইজশিং পাঙথোকপা য়াই।

(জ) মহৈরোয় অদুনা হেক খঙলক্তবা মতাংশিংদু ক্লাসতা মাবু তাকপীথিবা ট্যুটরশিং অদুনা মহৈরোয়দুদা নীংখিনা খঙনবা তাকপীগদবনি।

(ঝ) কোচিং সেন্টরনা ইন্সটিট্যুশনদা পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভম ফগৎহন্নবগী ফ্রেমৱর্ক অদু মখাগীসিগী মতুং ইন্না ঙাক্লা চৎকদবনি:

| **পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভম ফগৎহন্নবগী ফ্রেমৱর্ক** | | |
|---|---|---|
| **সমস্যাশিংগী থাক** | **য়াওগদবা ষ্টেকহোল্ডরশিং** | **থূৎ থিংজিনবগী থাক** |
| পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভম | অপূনবা ইন্সটিট্যুশনেল কম্যুনিতি | পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভমবু ইন্সটিট্যুশনেল করিকুলমদা পূনশিনবা |
| পূক্নিং-ৱাখলগী মরমদা খঙবা, কায়দাশিং অমসুং মচৎ | মহৈরোয় অমসুং ট্যুটর পূন্নমক | পূক্নিং-ৱাখলগী ফিভম – জেনেরেল হেল্থ করিকুলমগী শরুক অমা |
| সাইকোসোসিএল ওইবা সমস্যাশিং | কাউন্সেলরশিং, ট্যুটরশিং, পীয়র মেন্টরশিং, ৱার্দেনশিং অমসুং লৈবাকচাশিং | দরকার ওইবা মহৈরোয়শিংদা অহেনবা মতেং ফংহনবা |
| অরুবা সমস্যাশিং / দিসওর্দরশিং | কাউন্সেলরশিং, ইন্সটিট্যুশনেল দাক্তরশিং অমসুং অতৈ অখঙ-অহৈশিং | শিনফম নীংখিনা পায়বা (প্রোফেশনেল মেনেজমেন্ট) |

## ১২. পূন্নমক য়াওহনবা অমসুং ইৱাই-লাইনা ফংহনবা

(ক) কোচিং সেন্টরনা এপ্লিকান্ট / মহৈরোয় অমবু মাগী ধর্ম্ম, ফুরুপ, জাৎ, পা-পী, পোকফম, হৌরকফম, অসিনচিংবদা য়ূম্ফম ওইরগা অচান-মীরাই নাইবীবা তৌরোইদবনি।

(খ) অশোনবা মীওই কাঙলূপকী মহৈরোয়শিং হায়বদি নুপী মহৈরোয়শিং, শোইনাইরবা মহৈরোয়শিং, অমসুং শোত্থরবা মীওই কাঙলূপকী মহৈরোয়শিং মশীং য়াম্না লাক্কনবগী পূক্লিং থৌগৎনবা কোচিং সেন্টরনা অথল্লবা প্রোভিজনশিং পীননবা তৌবা য়াই।

(গ) কোচিং সেন্টরগী বিল্দিং অমসুং মদুগী অকোয়বদা লৈরিবদু মফমদু দিব্যাং-ফ্রেন্দলি হায়বদি শোইনাইবশিংনা নুংঙাইজগদবা মওং ওইহনগদবনি, অদুগা রাইটস ওফ পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ এক্ট, ২০১৬ (শোইনাইবা মীওইশিংগী ফংফম থোকপশিংগী এক্ট, ২০১৬) দা য়াওবা প্রোভিজনশিং অদুগা চানবা ওইগদবনি।

(ঘ) ট্যুটরশিংবু মহৈ তম্বদা থুনা থঙগন-হৈগন্দবা লায়নাশিং (লর্নিং দিএবিলিটিশিং)গী মরমদা নীংথিনা খঙহনগদবনি অদুগা মদুগুম্বা লায়নাশিংনা নারবা মহৈরোয়শিংবু হেন্না লায়থোকপা মওংদা নীংথিনা খঙননবা তাকপীগদবনি।

(ঙ) দিব্যাং-ফ্রেন্দলি ওইবা খুদোংচাবশিং (প্রোভিজনশিং) হায়বদি ব্রাইলি, ই-রিদর্স, অমসুং মপান-ইপান থোকফমশিং অসিনচিংবসি দরকার লৈবা মফম মফমদা শেম্মীগদবনি।

(চ) তেংবাং ক্লাসশিং (সপোর্ট ক্লাসশিং)বু মহৈ-মশিং তম্বদা অহেনবা তেংবাং পীবগী দরকার ওইরবা শোইনাইরবা মহৈরোয়শিংদা ফংহনবা য়াই।

(ছ) লাইরিক হৈবা হৈতবা য়েংলগা মহৈরোয়শিংগী বেচ থায়দোকপা তৌরোইদবনি, মরমদি মদুনা মহৈরোয়শিংদা কা হেন্না তেকচাক নল্লগা মখোয়গী পূক্লিং-ৱাখলগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লি। বেচশিং শেম্বসি মহৈরোয়শিং মিং চনবগী মথং-মনাওদু য়েংলগা শেমগদবনি অমসুং কোর্স লোইদ্রিবা ফাওবদি বেচ হোংবা য়ারোইদবনি।

### ১৩. রেকোর্ডশিং চেকশিন্না থম্বা

(ক) কোচিং সেন্টরনা, গভর্নমেন্টনা অয়াবা পীরবা রেকোর্ডশিং, একাউন্টশিং, রেজিষ্টরশিং, নৎত্রগা অতৈ চে-চাংশিং (দোকুমেন্টশিং) অদু চেকশিন্না থমগদবনি অমসুং পুথোক্কদবনি।

(খ) কোচিং সেন্টরনা চহীগী রিপোর্ট অদু কমপিটেন্ট ওথোরিতিদা রেকোর্দ তৌশিন্নবগী পীশিনবা য়াই।

### ১৪. কোচিং সেন্টরগী মফম হোংবদা অথিংবা থম্বা

কোচিং সেন্টরনা কোচিং তৌবদু রেজিষ্ট্রেন সর্টিফিকেটতা পল্লিবা মফম অদুখক্তদা তৌগদবনি অমসুং রেজিষ্টর তৌরবা মফমদু নত্তনা অতৈ অতোপ্পা মফম অমদা হোংবসি, মদুগী মতাংদা কমপিটেন্ট ওথোরিতিনা অইবা চেরোলদা ওইনা মাঙজৌননা অয়াবা পীদ্রগদি হোংবা য়ারোই।

### ১৫. কোচিং সেন্টরগী থবক-থৌরমশিংগী মরমদা ৱাহং-পাউহংবা

কমপিটেন্ট ওথোরিটিনা, নৎত্রগা গভর্নমেন্টনা ওথোরাইজ তৌরবা অতোপ্পা ওফিসার অমনা কোচিং সেন্টরগী থবক-থৌরমশিংদু লেপ্তনা য়েংশিনবগী থবক তৌগনি অমসুং মহাক্না কোচিং সেন্টর অমগী রেজিষ্ট্রেশন তৌবগী দরকার ওইবা পূম্নমক শুনা লৈবগা মরী লৈনবা ৱাহং-পাউহং তৌবগা লোয়ননা সেন্টরদুগী থবক-থৌরমশিং নীংথিনা পাঙথোকপগী মতাংদসু ৱাহং-পাউহংগনি।

### ১৬. ৱাকৎশিং ককথৎপা

(ক) কোচিং সেন্টরশিংগী মায়োক্তা মহৈরোয়, মমা-মপা নৎত্রগা কোচিং সেন্টরশিংগী ট্যুটর /ইমপ্লোয়িনা কমপিটেন্ট ওথোরিটিগী মমাংদা ৱাকৎ অমা ফাইল তৌবা য়াই অদুগা কোচিং সেন্টরশিংনা ৱাকৎতু মহৈরোয়শিং / মমা-মপাশিংগী মায়োক্তা তৌবসু য়াই। ৱাকৎশিং অদু কমপিটেন্ট ওথোরিতিনা নৎত্রগা গভর্নমেন্টনা থিজিন-হুমজিন্নবা শেমথিবা কমিটি অমনা নুমিৎ কুন্থ্রানিগী মনুংদা ককথৎথিগনি।

(খ) কমপিটেন্ট ওথোরিটিনা নৎত্রগা থিজিন-হুমজিন্নবা শেমখিবা কমিটিনা থাগৎলকপা রিপোর্টতুগী মতুং ইন্না, হিয়রিংগী খুদোংচাবা পীরবা মতুংদা, ফিভমগী মথা পোন্না, কমপিটেন্ট ওথোরিটিনা পেনালটি পীগনি নৎত্রগা রেজিষ্ট্রেশন ককথৎনবা থবক পায়খৎকনি।

## ১৭. পেনালটিশিং

(১) কমপিটেন্ট ওথোরিতিগী মফমদা সিভিল কোর্টশিংনা পীবা শক্তি লৈরগনি। কমপিটেন্ট ওথোরিতিগী মফমদা, সিভিল প্রোসিজ্যুর কোড ১৯০৮ (১৯০৮ কী সেন্ট্রেল এক্ট নম্বর ৫)কী মথাদা, কোর্টতা শিন্নরবা মথাগীসিগুম্বা কেস অমহেক্তা থন্ননবগীদমক্তা মতীক-মঙম লৈরগনি:-

(ক) এফিদেবিতকী মতেংনা প্রমানগা লোয়ননা শাক্ষিগী অয়াবা পীবা;

(খ) মীওই অমবু সমোন থাদুনা কৌরগা কোর্টতা শোয়দনা কারকহনবা, অমসুং ৱাশক লৌবদা কূপ্না য়েংশিনবা;

(গ) রেকোর্দশিং পুথোকহনবা; অমসুং

(ঘ) এৱার্দ কোষ্ট তিংহনবা

(২) রেজিষ্ট্রেশনগী লৈরিবা টর্মশিং অমুং কন্দিশনশিং নৎত্রগা থ্বাইগী ওইবা কন্দিশনশিংগী মনুংদগী অমা হেক ঙাক্লা চত্তবদা, কোচিং সেন্টরনা মথাগী চৈরাকশিংসি ফংগনি:

(ক) লু: ২৫,০০০/- অহানবা মরালগী

(খ) লু: ১,০০,০০০/- অনীশুবা মরালগী

(গ) মতুং তারকপা মরালগীদমক রেজিষ্ট্রেশন ককথৎপা

## ১৮. রেজিষ্ট্রেশন ককথৎপা

কোচিং সেন্টরদা পীবা রেজিষ্ট্রেশন সর্টিফিকেট অদু, মরী লৈনবা আইন থুগায়বগী পীগদবা পেনালটিগী মায়োক্তা রাই তাদ্রিঙৈদা, মতম অমদা হেক্তা ককথৎপা য়াই। মদু মরী লৈনবা কমপিটেন্ট ওথোরিতিনা কোচিং সেন্টরনা লমজিং-পথাপশিংদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিংগী মনুংদগী অমা ঙাক্লা চৎত্রে নৎত্রগা রেজিষ্ট্রেশন তৌহনথিবগী টর্মশিং অমসুং কন্দিশনশিংগী মনুংদগী অমা ইন্দ্রে হায়বদু তশেংনা থঙলগা তৌই:
মসিগুম্বা ওর্দর অমবু কমপিটেন্ট ওথোরিতিনা পাস তৌবসি, থোক্কদবা ওর্দরদুগী মায়োক্তা মরম উৎনবগী খুদোংচাবা অমা মদুগুম্বা সর্টিফিকেত পায়রবা মীওই অদুদা পীদ্রগদি, য়ারোই।

## ১৯. আপিল তৌবগী থৌওং

কোচিং সেন্টর অমগী রেজিষ্টর তৌবা য়াদবগী নৎত্রগা রিনিউ তৌবা য়াদবগী নৎত্রগা রেজিষ্ট্রেশন ককথৎপগী থোকপা ওর্দরদা নুংঙাইজদবা মীওই অমনা, মদুগুম্বা ওর্দরদু ফংথিবা তারিক অদু থানা নুমিৎ কুন্থ্রানিগী মনুংদা, এপেলেট ওথোরিটিদা, গভর্নমেন্টনা তাকপা মওংদা, আপিল তৌবা য়াই।

*****